**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-08-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা হয়েংদগী হৌগনি তৌরম্বা মীকোক থীবগী থবক য়ৈথোকখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা থবক তৌরি, ৱাথোক খুদিংমক সরকারগা ৱারী শান্নরগা লোইশিন্নবা হোৎনমিন্নশি।

৩) ইম্ফালগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)পু এইমসকী থাক্তা ওনখৎপদা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা অয়াবা পীখ্রে।

৪) কাংপোকপী জিলাগী এন. তৈখাংদা ঙসি অয়ুক মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা নুপী অনি য়াওনা মীওই অহুম শিরে, অতোপ্পা মরিনা শোক্লে।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- টেক্সতাইল অমসুং এপরেল সেক্তরনা লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতিগী মরুওইবা শরুক অমা ওইবতা নত্তনা মীওই কয়াগী হিংনবগী পান্বে অমসু ওইরি।

------

সাহ (এল)ঃ মণিপুরদা হয়েংদগী হৌগনি তৌরম্বা মীকোক থীবগী থবক য়ৈথোকখ্রে।

ৱারেপ অসি মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম য়েংলগা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী রিভিউ মিতিং অমদা লৌখিবনি। গৃহ মন্ত্রালয়না শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, কেন্দ্রগী হোম সেক্রেতরি গোবিন্দ মোহোন অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

মণিপুরদা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন্স (এন.আর.সি) তৌদ্রিঙৈদা মীকোক থীবগী থবক চখবা য়ারোই হায়বা মণিপুর মীয়ামগী দাবী অদু ঙসিগী মীফমনা য়ামা কুপা খন্নখি। মণিপুরগী মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমসুং অপাম্বা অদু লুমা লৌবগা লোয়ননা য়ামা কুপা খন্নরবা মতুংদা মণিপুরদা মীকোক থীবগী থবক য়ৈথোকবা য়ান্নখিবনি।

মণিপুর মীয়ামগী খোল্লাউ অমদি অপাম্বশিং নিংথিনা তাবীদুনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা থুংহনবীবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং কেন্দ্রগী লুচিংবশিংবু মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। মণিপুর মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা থুংহন্নবা হোৎনবদা অখাকপা লৈতনা হোৎনবীখিবা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবিনবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎখি। মণিপুরদা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন্স (এন.আর.সি) তৌবীনবা দিল্লিদা কেম্পেন চখখিবা সি.এস.ও ১৪ গী লুচিংবশিং অমসুং বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎখি। মখোয়না কেন্দ্রগী লুচিংবশিং উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নবা অমসুং তকশিনবা কয়া অদুনা ঙসিগী ৱারেপ অসি কেন্দ্রনা লৌরকপনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- সরকারদা করিগুম্বা দাবী অমা তান্নবা হোৎনবদা বন্দ অমদি জেনেরেল ষ্ট্রাইক তৌবনা থোইনা কান্নবা ফংলোই, মসিনা অহোইনদুম মীচম মীয়ামদা হেন্না অৱাবা পীবা ওইনা থোক্কনি। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা সরকারনা পায়খৎলিবা মীয়ামগী থবক

থৌরমশিংদা মতেং পাংবীবা য়াममক তঙাইফদে। মসিগীদমক সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগা সরকারগা ৱারী ৱাতাই শান্ননবা হোৎনগদবনি। রাজ্য সরকার অমসুং কেন্দ্র সরকার অনিমকা মণিপুর মীয়ামগী অনিংবা অপান্বা থুংহন্নবগীদমক মতম চুপ্পদা লেপ্তুনা লৈ হায়বা ৱাফম ফোংদোক্লদুনা ৱাথোক খুদিংমক সরকারগা তাথোক তাশিন তৌনরগা লোইশিন্নবা হোৎনমিন্নশি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপীল তৌখি।

অমরোমদা, মণিপুরদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা হাউস লিষ্টিং তৌবগী থবক থৌরমশিং হাই কোর্ট ওফ মণিপুরনা ৱিথহেলদা থমখ্রে। হাই কোর্ট ওফ মণিপুরনা থমখিবা ৱাফম অদুবু সি.এস.ও ১৪ গী লুচিংবা শান্টা নহাকপমনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী কমপ্লেক্স মমাংদা ঙসি পাউমীশিংদা শ্রী শান্টনা হায়- হাই কোর্টনা ৱিথহেল থমখিবা অসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা শাফবা ফিভম অমদি শোইদনা পীরগনি। মণিপুরগী মীয়ামা হৌজিক হৌজিক লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিং ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনদ্রিফাওবা মীকোক থীবগী থবক চথবা য়ারোই হায়না খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা সি.এস.ও ১৪, ইপসা অমসুং কে.এস.এনা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই অমদি আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিন্দ্রিঙৈদা মীকোক থীবগী থবক চথবা মরম চাদে হায়না কোর্টতা ৱাকৎখিবনি।

রিমস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হকশেলগী ইনফ্রাষ্টঅকচরশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী শিংথানিঙাই ওইরবা খোঙথাং অমা ওইনা ইম্ফালগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)পু এইমসকী থাক্তা ওনখৎপদা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা অয়াবা পীখ্রে।

ৱারেপ অসি ঙসি শ্রী নদ্দানা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নদুনা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা লৌখিবনি। অসিগুম্লবা শিংথানিঙাই ওইরবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপগীদমক মুখ্য মন্ত্রিনা শ্রী নদ্দাবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

সেনাপতি জিলাদা অনৌবা মেদিকেল কলেজ অমা হাংদোকবা হায়জখিবদসু শ্রী নদ্দানা অয়াবা পীরকখি।

পনবা য়াই, থা অসিগী ২৬ তা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা গৃহ মন্ত্রিগী হন্দক ওক্তোবর থাগী অহানবা চয়োলদা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা মেদিকেল কলেজ অসিগী যাত্রা হুনগনি হায়না য়ান্নখিবা লৈখ্রবনি।

ভর্তলাপ(এল)ঃ প্রেস ইনফোমের্সন ব্যুরো (পি.আই.বি) রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা মেদিয়া ৱার্কশোপ ভর্তা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মাইবম লোকপা চীংদা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কশোপ অসিদা রিভেম্প খেল্লো ইন্দিয়া স্কিমগী মতাংদা তেকিকেল সেসন পাঙথোকখি। ৱার্কশোপ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি রাজ্য অসিগী মেদিয়াগী লমদা লৈবা মীওইশিংদা কেন্দ্রগী ফ্লেগশিপ রিভেম্প খেল্লো ইন্দিয়া স্কিমগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবনি।

থৌরম অদুদা, পি.আই.বি, রিজনেল ওফিস ইম্ফালগী এদিসনেল দাইরেক্তর জেনরেল ডা.ইঙম পামে, সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন-ফিল্ড ওফিস চান্দেলগী এসিসতেন্ট দাইরেক্তর মোইরাংথেম রুসতম সিংহসু শরুক য়াখি। অদুগা টেকিকেল সেসনদা সাই নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল সেন্তর ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর লাইশ্রম সমরিত্যা সিংহনা ৱা ঙাংখি।

ৱিমেন (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না পুন্না শিন্দুনা দ্রাফট জেন্দর ইক্কেলিতি এন্দ ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট পোলিসি ২০২৬ কী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন টি.ঐচ. তিনিংফম মোঙ্গাংনা হায়- নুপীশিংগী শক্তি হেনগৎহন্নবগীদমক নুপীশিংগী ওইবা হৌজিক লৈরিবা আইনশিং হন্না য়েংশিনবা অমসুং শেমদোক শেমজিন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। নুপীশিংদা হেন্না শক্তি পীনবগীদমক মতমগা চুনবা

থৌশিল থৌরাং কয়া শেমগৎপা তঙাইফদে। নুপীনা রাজ্য অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৫০ ওইরি। মরম অদুনা মখোয়দা হেন্না শক্তি পীদুনা থবক থৌরম কয়া য়াওহনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

কিল্ড (এল)ঃ   কাংপোকপী জিলাগী টি. ৱাইচোং সব-দিভিজনগী মনুং চনবা এন. তৈখাংদা ঙসি অয়ুক মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা নুপী অনি য়াওবা মী অহুম শিরে, অতোপ্পা মরিনা শোক্লে।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউ ভাগুনৈ সিংসিৎনা চলৱা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৮ অদুৱাইদা থোকখিবনি। অশিবা অমসুং অশোকপশিং মীওইশিং অদু মশক খঙলে। শকখঙদবশিং অদুনা য়ুম অমসু মৈ থাদোক্লক্লে।

প্রোগ্রাম(এল)ঃ        নুমিৎ ৭ নি চুপা চথুরকপা ওন্ত্রপ্রন্যুরশিপ দেভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (ঈ.দি.পি) ঙসি লোইশিনখ্রে। চিফ মিনিষ্টর্স ওন্ত্রপ্রন্যুরশিপ সপোর্ট স্কিম (সি.এম.ঈ.এস.এস)কী মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অসি মণিপুর স্তার্ট অপ স্কিমগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি। ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকপা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী প্লানিং বিভাগকী স্পিসিয়েল সেক্রেটরি নৈলেন্থাং তেলিয়েন্ট শরুক য়াখি।

নুমিৎ ৭ নি চথুখিবা ত্রেনিং অসিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা ত্রেনিং লোইশিনবগী সার্তিফিকেট খূৎশিন্নখি। মসিদসু নত্তনা ত্রেনিশিং অসিগা সরকারগী মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা বেঙ্ককী মীহুৎ কাংবুশিংগসু উন্নদুনা ত্রেনিশিং অসিদা কান্নবা পীনবগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু খন্নখি । ত্রেনিং অসিদা রাজ্যগী প্লানিং বিভাগকী মখাদা মীওই ১০০, নৈলিট ইম্ফালগী ১৮০, এম.এস.এম.ঈ তেকোলোজি সেন্তর ইম্ফালগী ২০০, ক্যুব তেনগী ১৫০ অমদি মণিপুর তেকোলোজি ইন্নোভেসন হবকী মীওই ১০০ পুন্না মীওই ৭৩০ না শরুক য়াখি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী সেবা তৌবা অমসুং থবক পায়বা চহি ২৫ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা শিনবা সেবা সংকল্প অভিয়ানগী মতাংদা রাজ্য থাক্কী ৱার্কসোপ অমা ঙসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদা দেবী য়াওনা অতৈ দলগী কর্ম্মিশিং শরুক য়াখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রীমতি সরদা দেবীনা হায়- ৱার্কসোপ অসিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং অমসুং লিচিং মখাদা মীয়ামগী সেবা তৌবা, কৎথোকপা অমসুং সমাজগী চাওখৎনবা হোৎনবা হায়বা ৱাখল্লোন নৌহৌননা নিংশিংহনবগী তাঞ্জা অমা পীরি।

অমরোমদা, থা অমা চুপা চথুরকপা ৩০ শুবা অথৌবশিং নীংশিং থা ২০২৬ লোইশিনবগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাংমোংদা লৈবা কাজাউ লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বি.জে.পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবী, এম.এল.এ শাপম রঞ্জন য়াওনা অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা উ চারা থাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ      ফারমরস ৱেলফ্যার এন্দ ইনপুট ফেলিসিতেসন হায়বা থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনাম উশকখঙদবীদা লৈবা ওইনাম পাব্লিক হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি সনালৈবাক ওর্গানিক ফারমর, প্রদ্যুসর কম্পনি লিমিতেদ অমসুং মোর্দন ইরা ফারমরস মল্টি পরপজ কোওপরেতিভ সোসাইতি লিমিতেদ, ওইনামনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা হিদাক কাপবা পম্প সেট ৯, হৱাই চেংৱাই অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাই হেলথ কার্দ ১০০ সু লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি।

লাইওন (এল)ঃ   লাইওন্স ইন্তরনেসনেল দিষ্ট্রিক্ট থ্রি টু টু-দিনা চয়োল অমা চুপনা চথুরিবা রোহিৎ মেতা লাইওন্স কেস ৱিক থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি

তোঙান তোঙানবা লাইওন ক্লব অহুমনা শিন্দুনা ইম্ফালগী থঙ্গাল কৈথেলদা লৈবা গুরুনানক হাইস্কুলদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু অঙাংশিংগী ৱাখল অমসুং হকচাংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবনি। থৌরমগী মনুং চন্না অঙাংশিংগী রচনা ইবা, লাইয়েকপা অমসুং এক্স-টেম্পোর স্পিচনচিংবগী চাংদমবসু পাঙথোকখি।

ককচিং (এল)ঃ চহি অসিগী জ্লাহ ১ দা ক্বালিফায়িং দেট ওইবা ইলেক্তোরেল রোলগী স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজনগী অনিসুবা মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ককচিং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদু জিলা অসিগী ইলেক্তোরেল রোল ওবজার্ভরনা সভাপতি ওইখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা হায়- জিলা অদুগী ওইনা অপুনবা ৱাকৎ লিশিং ৮২,৪০১ লাকপগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা লিশিং ৮১,৬২০ গী কেস লোইশিনবা ঙমলে। হৌজিক কেস ১৩৮ খক লোইশিনগদবা ৱাৎলি। মহাকা হায়- ইলেক্তোরেল রোলদা মীং হাপ্পা য়াবা খুদিংমক অমত্তা চিথদনা হাপচিন্নবা তঙাইফদবা থবকশিং পায়খৎলে।

কেম্পেন (এল)ঃ সেরিকলচরগা মরী লৈনবা টেকোলোজিশিং য়োকখৎনবা অমসুং মসিগী মতাংদা মীয়াম্বু মমুৎ তানা খঙহন্নবগী পান্দমদা থা অমা চুপা চথুরকপা মেরা রেসম, মেরা অভিমান টু পোইন্ট ও কেম্পেন ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিললাদা মপুং ফানা লোইশিনখ্রে। কেম্পেন অসি মরুওইনা মুগাগী পোৎলমশিং পুথোকপা অমদি মসিনা লৌমীশিংদা হিংনবগী লম্বী ফংহন্নবগী পান্দমদা কেম্পেন অসি মরুওইনা পাঙথোকপনি। কেম্পেন অসি থা অসিগী ৭ তগী হৌদুনা ইম্ফালগী সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্দ-রিজনেল সেরিকলচর রিছার্স ষ্টেসন অমসুং রাজ্য সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ সেরিকলচরনা পুন্না শেম্বা দিষ্ট্রিক্ট এক্সন প্লানগী মখাদা পাঙথোকপনি।

কেম্পেন প্রোগ্রামশিং অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এম.আর.এম.এ টু পোইন্ট-ওগী নোদেল সাইন্তিষ্ট ডাঃ খ্বাইরাকপম সুবাদাস, দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিসার অমসুং এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর প্রাতিমা দেবী য়াওনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমসুং এন.জি.ওশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

তোবাক্কো (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড নো তোবাক্কো ডে ২০২৬ কী থৌরম ঙসি জিলা অসিগী পৌরাবীদা লৈবা জেম পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। অনমাস্কিং দ আপীল, কাউন্তরিং নিকোতিন এন্দ তোবাক্কো হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর, নেসনেল তোবাক্কো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ শুজাতা হুইদ্রোমনা হায়- নিকোতিন অমদি তোবাক্কোগী পোৎলমশিং শিজিন্নবা হৌখ্রবদি থাদোকপদা ৱানা থোকই। মরম অদুনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি শিজিন্নরোইদবনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- টেক্সতাইল অমসুং ফিশা লোনশাগী পোৎলমশিং পুথোকপা অমদি য়োনবগী লমদা মরী লৈনবা উদ্যোগশিংনা লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতিগী মরুওইবা শরুক অমা ওইবতা নত্তনা মীওই কয়াগী হিংনবগী পাম্বৈ অমসু ওইরি। নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ফেসন টেকোলোজিগী কনভোকেসনদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা মহৈরোইশিংদা ফেসন টেকোলোজিগী লমদা লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি অমসুং মগুনশিং ঙাকপগা লোয়ননা অনৌবা ৱাখল্লোনশিং শিজিন্ননবা হায়রি।

ফেসন ইন্দষ্ট্রিদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু শিংথারদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোই লিশিং মরিরোমগী মনুংদা চাদা ৮৫ দি নুপীনি। ফেসন অমসুং টেক্সতাইল টেকোলোজিগী লমদা মালেমগী থাক্তা লৈবাক অসিগী তৌবা ঙম্বা কয়া উৎনবা মচাক মথুম ৱাৎতনা লৈরি। মহৈরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা কয়া শিজিন্নদুনা লৈবাক

অসিগী ওইবা টেক্সতাইল হেরিতেজ অসিবু কন্টেমপোররি মার্কেট অমসুং অনৌ অনৌবা টেকোলোজি কয়াগী মরী থমবা হোৎননবা রাষ্ট্রপতিনা মহৈরোইশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

বিষ্ণুপুর ঃ  শান্ন-খোৎনবগী খুথাংদা রাজ্য অসিদা মশা মউ ফবা নহারোলশিং লৈহন্নবগী পান্দমদা খেল্লো ইন্দিয়া, স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্টকী মখাদা ৮ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম মঙাদা কিলোমিতর ১০ গী মরাথোন ইভেন্টশিং পাঙথোক্কনি। মরাথোন অসিদা চহি ১৮ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

------

--দ্বিজমনি--